## ‘রাজস্থানদা লৈরিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী চাওখৎ খোঙথাংগী থবকশিং থিন্থহল্লে’

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
দিল্লি-মুম্বাই এক্সপ্রেস ৱে ঙসি রাজস্থানগী দৌসাদগী ওফিসিয়েল ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইনোগুরেট তৌখ্রবা মতুং রাজস্থানদা লৈরিবা কোংগ্রেস লৈঙাক অসিবু হুল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোতনা লুচিংবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অসিনা রাজস্থানগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং থিন্থহল্লে অমদি ষ্টেট অসিদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম কয়া লৈহল্লে হায়রি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চহি অসিগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজস্থান ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা মীয়াম্না বি জে পিদা পৱার শিন্নরবদি লৈবাক অসিগী চাওখৎলবা ষ্টেটশিংগা চপ মান্ননা রাজস্থানসু শেমগৎপা ঙমগনি। রাজস্থানদা মতম শাংনা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবদা চাওখৎ থৌরাংগী লমদা মশক থোকপা থবকশিং মাংজিল থানা পায়খৎপা ঙমদ্রি। রাজস্থান ষ্টেট এসেমব্লিদা হন্দক্কা চীফ মিনিষ্টর অশোক গেলোতনা ষ্টেট বজেট পুথোকখিবা অদু তাবদা নোক্লিংবা ফাওই। মহাক্না মমাঙ চহিগী বজেট হান্না পুথোক্তুনা পারি। শোয়বা হায়বসি মীওইবগী পুন্সি খোঙচত্তা লোইনদুনা লাক্লবা অমনি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসকী ওইনদি ষ্টেট অসিগী ওইবা তোপ তোপ্পা ভিজন অমত্তা লৈতে। মহাক্না পুথোকখ্রিবা বজেট অদুসু ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা মপুং ফানা য়ৌহনবা ঙমদ্রি।

রাজস্থানদা চাওখৎপগী থবক থৌরমদা খোঙজেল য়াংনা থবক তৌবা ঙমগদবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবা ঐখোয়না পাম্মী। হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিদগী ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মনিং তম্বা পাল্লে। মরম অদুনা চহি অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজস্থান এসেমব্লি মীখলদা কোংগ্রেস চাওনা মায়থিবা নংলগনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। রাজস্থানবু চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়াহন্নবা হোৎনবদা বি জে পিগী ডবল ইঞ্জিন লৈঙাক মথৌ তাই। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিদি ঙসি পাঙথোক্কদবা থবক অদু চহি অমগী মতুংদা মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্কে হায়বা লৈঙাকনি। অদুবু বি জে পিনা পৱার পায়রবদি রাজস্থানদা চাওখৎপগী কুন্দ্রে ফাওবা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ফাইভ ষ্টার ষ্টেট ওইহন্নবা হোৎনগনি




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মেঘালায়া লেজিস্লেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না কোংগ্রেস পার্টিদা থাজবা থমদুনা পৱার শিন্নরবদি চাওখৎপগী লম্বীদা মেঘালায়ানা মাংজিল থানা চঙশিনবা ঙম্বগা লোয়ননা ষ্টেট অসিবু ফাইভ ষ্টার ষ্টেটকী থাক্তা শেমগৎনবা হোৎনগনি হায়না কোংগ্রেস প্রসিডেন্ট মলিকঅর্জুন খরগেনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না শোয়দনা কোংগ্রেস পার্টিদা পৱার শিন্নরক্কনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ হায়রি।

কোংগ্রেস প্রসিডেন্ট অসিনা ত্বিটরদা থাগৎখিবা পোষ্ট অমদা হায়, নুংশিরবা মেঘালায়াগী মীয়াম, কোংগ্রেসতা পৱার শিন্নরবদি পার্টি অসিনা ফাইভ ষ্টার মেঘালায়াগী ফাউন্দেসন ওইগনি হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। মীয়ামদা পার্টি অসিনা পাঙথোক্কনি হায়না পীরিবা থাজবশিং থবক্তা শোয়দনা ওন্থোক্কনি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়নবা হোৎনরক্লিবা অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না থিংগদবনি। মরমদি বি জে পিগী লৈঙাক লৈবা ষ্টেটশিংদা লাইরবা অমদি লৌমী-শিন্মীশিংগী চন্নফম লৈতে। পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না তাংখৎখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী লাইরবা কয়া অৱাফমদা তারবা ফাওবা সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা খঙশিন্নদনা লৈরি। মরম অদুনা মীয়ামগী খনবা কোংগ্রেসতা পৱার শিন্নদুনা বি জে পিগী অমদি মীয়ামগী খন্দবা পার্টিশিংদগী নিংখা তম্বা ফংহল্লসি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী হায়ৱেশিং মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা হায়ৱে ওইহন্নবা হোৎনরি

দাউসা, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা নেসনেল হায়ৱেশিং লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা লম্বী ওইহন্নবা হোৎনরি হায়না য়ুনিয়ন রোড এন্দ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা অসি শোয়দনমক্কী থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।



রাজস্থানগী দাউসাদা ঙসি অহানবা ফেজকী ওইনা নেসনেল হায়ৱেশিং শেমগৎনবগী থবক হৌদোকপগী থৌরম অমগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈরিবা লম্বী থোংগী ফিভমগা চপ মান্নবা থাক্তা লৈবাক অসিগী লম্বী থোংসু ওইহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মথং চহিগী অরোইবা শরুক ফাওবদা হায়রিবা অসি থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নবা হৌজিক হৌজিকসু নেসনেল হায়ৱেশিং শেম শাবগী থবক পাক-শন্না চখুরি। লম্বী থোংগী ফিভম ফত্ত্রিবা ফাওবা লৈবাক অমা মপুং ফানা চাওখৎলে হায়বা য়ারোই। লম্বী থোংগী ফিভম মপুং ফানা ফগৎলবা মতুংদা লৈবাক অমা চাওখৎপগী লম্বীদা মাংজিল থানা চঙশিনবা ঙমগদৌরিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু লৈবাক অসিগী লম্বী থোং শেমগৎপদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরি। সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লম্বী থোংগী ফিভমদা অওনবা কয়া পুরকপা ঙমখ্রে। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী লম্বীগী ফিভম মতম অমগা য়েংনরুবদা হৌজিক্তি য়াম্না ডিভলপ তৌরকখ্রে। মসিমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা লম্বী ফহনবা হায়বা মিসননা মরম ওইরগা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্লিবনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক্কী লম্বী থোং ফরবা মতুংদা চাওখৎপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লমকোয়বা কয়াগী পুক্লিং চিংশিনবা ঙমগদৌরিবনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিন্দুনা মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনসি হায়রি।

## য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী য়ুমদা এটেক চথুরম্বা মীওই ফাবা ঙল্লে

থিরুভনন্থপুরম, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভি মুরালিধরনগী থিরুভনন্থপুরমদা লৈবা য়ুমদা মমাঙ চয়োলদা নুঙ থাজিন্দুনা এটেক চথুবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ঙসি ফারে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, ফারবা মীওই অসিগী মমিং মনোজ (৪৬) কৌই। মহাক কানুর এরিয়াদগীনি। মিনিষ্টরগী য়ুমগী অকোয়বদা থেৎপা সিসিটিভি অমদি লম্বীদা থেৎপা সিসিটিভি কেমেরা ফুটেজকী মতেংনা হায়রিবা মীওই অসি ফাবা ঙমখিবনি। মহাক সিটি অসি থাদোক্তুনা চৎনবা হোৎনরিঙৈদা থম্পানুরদগী পুলিসনা ফাবা ঙমখিবনি। মহাক ফারবা মতুং মখা তানা থিগৎলুবদা মনোজ হায়রিবা মীওই অসি মশাগী কোক্কী ওইবা অনাবা লৈবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙল্লে। অদুম ওইনমক মহাক মেন্টেল প্রোব্লেম লৈ হায়বগী মেডিকেল রিপোর্টতি লৈতে। হায়রিবা মীওই অসি মিনিষ্টর অসিগী ময়ুম মনাক নক্লা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা ৱেট্টর ওইনা মতম খরসু থবক তৌরম্মী হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১২৪ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১২৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিহনখিদে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১২৪ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮৪,১১৮ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৮৪৩ দা হনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৫০ দা লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্তোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। মমাঙ চহী অসিগী ওক্তোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ ১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২২০.৬২ কাপথোকখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## ‘টি এম সি হায়বদি টেরর, মাফিয়া, করপসন হায়বনি’

পুরবস্থালি, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
ত্রিনামুল কোংগ্রেস (টি এম সি) বু হুল্লদুনা বি জে পিগী নেসনেল প্রসিডেন্ট জে পি নদ্দনা ফোঙদোকখিবদা, টি এম সিগী ফুল ফোমদি টেরর, মাফিয়া অমসুং করপসন হায়বনি। হায়রিবা অসিগা চপ মান্ননা ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা লৈঙাক পায়রিবা টি এম সিনা থবক তৌই হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা জে পি নদ্দনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা লৈরিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী জঙ্গল রাজ মুথৎকে হায়রবদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা বি জে পিগী লৈঙাক অমা শেম্বা মথৌ তাই। মমতা বেনর্জিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর অৱাজ যোজনাগী থবক থৌরমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা অরানবা কয়া চথুরে। মসিগী মথক্তা সেন্টরনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক খন্দুনা পীথখিবা শেম্লুং কয়া মমতা বেনর্জিগী লৈঙাক্না মীয়ামদা ফঙহন্দবগা লোয়ননা সেন্টরগী স্কিম কয়া ষ্টেট অসিদা ফেল ওইহল্লে। মরম অদুনা বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংফম থোকই হায়রি।

## লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্ট ৱারিসেগী ইমুংদা লুপা লাক্ষ ২৫ পীরগনি

মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
মহারাষ্ট্রগী জর্নেলিষ্ট সসিকান্ত ৱারিসেবু লেন্দ ডিল্লর অমনা অতম্ননা গাড়িনা থোমদুনা হাৎখ্রবা মতুং লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্ট অসিগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাক্ষ ২৫ মতেং পীরগনি অমদি লৈখিদ্রবা অসিগী মচানুপাদা গভর্ণমেন্ট জোব অমসু পীরগনি হায়বা মাহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।



রতনগিরি ডিষ্ট্রিক্ট গর্জিয়ন মিনিষ্টর উদয় সমন্তনা ফোঙদোকখিবদা, জর্নেলিষ্ট ৱারিসে হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু লৈঙাক অসিনা য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্ট অসিগী ইমুং-মনুংদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লাক্ষ ২৫ পীনবা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মচানুপাদসু গভর্ণমেন্টগী থবক অমা পীরগনি। লুপা লাক্ষ ২৫ মতেং ওইনা পীগদৌরিবা অসিগী মনুংদা লুপা লাক্ষ ১০ না চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দগীনি। অদুগা লুপা লাক্ষ ১৫ না অতোপ্পা সোর্সশিংদগীনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহারাষ্ট্রগী জর্নেলিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা লৈখিদ্রবা ৱারিসেগী ইমুং-মনুংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং পীনবা ডিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। মখোয়না তাল্লিবা ডিমান্দশিং অদু লৈঙাক্না য়াম্না মুন্না খন্নরবা মতুং ঙসি ফিরেপশিং অসি লৌখিবনি হায়রি।

## ৱাটসএপকী মতেং লৌদুনা অঙাং অমা পোকখ্রে

শ্রীনগর, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা উন তাবনা মরম ওইরগা গাড়িশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা অমদি ইয়রলিফ তৌবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিঙৈ মরক অসিদা মীরোনবী নুপী অমা ৱাটসএপ কোলগী মতেংগা লোয়ননা অঙাং অমা তেক্তা-কাইদনা পোকখ্রে হায়রি।

ব্লোক মেডিকেল ওফিসরনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না, কেরান প্রাইমরি হেল্থ সেন্টরদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা মীরোনবী নুপী অমা পুখৎলকখি। অদুবু মফম অদুদা ডাক্তর লৈরমদবনা মরম ওইরগা অঙাং উন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নখি। মদুনা মরম ওইরগা মেডিকেল ষ্টাফশিংনা গাইনোকোলোজিষ্ট ডাক্তর অমদা ৱাটসএপ ভিডিও কোল তৌখি অমদি ডাক্তর অদুনা পীরকপা ইন্সট্রক্সনশিংগী মতেংনা অঙাং অদু পোকখিবনি হায়রি।

## একজামদা অরানবা তৌরম্বশিং পুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীরবা য়াই: চীফ মিনিষ্টর

দেরাদুন, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
উত্তর খন্দগী চীফ মিনিষ্টর পুস্কার সিংহ ধামিনা ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা রিক্রুইটমেন্টশিংগী মতাংদা পেপর লিক ওইরম্বগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা ক্বেসন লিক ওইহনবদা চেন্নবা মীওইশিং অমদি এগজামদা অরানবা থবক তৌবা মীওইশিং মপুন্সি চুপ্পা জেলগী ফাদোক পীবা নৎত্রগনা য়ামদ্রবদা চহি ১০ ফাদোক পীগনি হায়রি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর ধামিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াগী ৱাখল্লোন দা নুংঙাইতবা অমদি নত্তবা মমি তাহল্লকপা য়াবা থবক থৌওংশিংদা লৈঙাক্না কৈদৌনুংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই। রিক্রুইটমেন্ট এগজামশিংদা করিগুম্বা অরানবা থবক তৌরম্বা থেংনরবদি শোয়দনমক্কী জেলদা থাজিনগনি। উত্তর খন্দগী ওইনা পাঙথোকপা কম্পিটিটিভ এগজামশিংদা ক্বেসন লিক ওইবগী থৌওংশিং থোরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। থৌওংশিং অসি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা তরাইনা লৌদে। রিক্রুইটমেন্ট এগজাম পাঙথোকপা মতমদা মরী লৈনবশিংনা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবা য়াম্না চেকশিন্না থবক তৌনবা অমদি করপসন য়াওদনা অফবা ওফিসরশিং খন্নবসু অকনবা মওংদা চীফ মিনিষ্টরনা ইন্সট্রক্সন পীখি হায়রি।

## মহৈরোয় অমা ঈরাক্লদুনা শিরে

হরিদ্বার, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
মশাগী চহি ২১ রোম শুরবা আই আই টি রুরকিগী মহৈরোয় অমা গঙ্গা তুরেলদা ঈরুজনবা কুম্বদা ঈরাক্লবদগী লাইকন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না, লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অসিগী মমিং সিধার্থ কৌই। মহাক রাজস্থানগী নাগাও ভিল্লেজদগীনি। প্রোজেক্ট অমগীদমক প্রোফেসর অমগা লোয়ননা মহৈরোয় খরা হরিদ্বারদা লাকখিবনি। মখোয় চান্দি ঘাটতা লৈবা দিবিয়া প্রেম সেভা মিসন আশ্রমদা লৈবনি। মহৈরোয় ৫ ঙসি অয়ুক অঙনবদা ঈরুজনবগীদমক গঙ্গা তুরেল তোর্বানদা লাকখি। মখোয় ৫ গী মনুংদা মখোয় ২ তুরেলগী মতাই থংবা শরুক্তা কুমথদুনা ঈরুজখি। অদুম ওইনমক খঙহৌদনা অকনবা ঈরৈ মচা অমনা সিধার্থপু খঙহৌদনা লাকশিনখিবনি। মহাক্কী হকচাং ফংবা ঙমখ্রে।

## গভর্ণর ভগৎ সিংহ কোসিয়ারি লৌথোকখিবা অসি মহারাষ্ট্রগী ওইনদি লাইবক ফবনি: সরদ পৱার



মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
মহারাষ্ট্রগী হান্নগী গভর্ণর ভগৎ সিংহ কোসিয়ারি লৌথোক্তুনা ঝখর্ন্দগী গভর্ণর রামেস বাইসবু মহারাষ্ট্রগী অনৌবা গভর্ণর ওইনা হাপ্লকখিবা অসি মহারাষ্ট্র মীয়ামগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক ফবনি হায়না নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) গী প্রসিডেন্ট সরদ পৱারনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

সরদ পৱারনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহারাষ্ট্রগী হান্নগী গভর্ণর কোসিয়ারিনা লৌখিবা ফিরেপ খুদিংমক কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি। মরম অদুনা মহাক্কী মথক্তা ইনক্কারি চথুহনগদবনি। সেন্টরনা কোসিয়ারিবু মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর ফমদগী লৌথোকখিবা অসি থাগৎনিংঙাই ওই। মসিদি ঙল্লিঙৈ মতমদা সেন্টরনা পায়খৎলমগদবা থবকনি। অদুবু থেংলবসু থেংনা মহারাষ্ট্রগী অনৌবা গভর্ণর অমা হাপ্লকপগীদমক সেন্টরদা থাগৎপা ফোঙদোকই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহারাষ্ট্রদা কোসিয়ারিনা গভর্ণর ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা মতম খরা প্রসিডেন্ট রুল ফাওবা লৈরুরবনি। বি জে পিনা মহারাষ্ট্রদা ওপোজিসন ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা গভর্ণরগী ওফিসতা য়াম্না তোইনা চত্তুনা গভর্ণরগা উন্নখিবগা লোয়ননা হন্দক্তসু হান্না লৈরম্বা উদব থাক্রেনা লুচিংবা লৈঙাক থুগায়দুনা বি জে পিগা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেমখিবা অসিনি। উধব থাক্রেনা লুচিংবা লৈঙাক ইন্থুখিবা অদুদা মহারাষ্ট্রগী হান্নগী গভর্ণর কোসিয়ারিনা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। কোসিয়ারিনা গভর্ণর অমা ওইনা মথৌ তৌবগী মহুত্তা সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি লুচিংবশিংগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌদুনা লাকখিবনা মরম ওইরগা মহারাষ্ট্রদা পোলিটিকেল ক্রাইসিস য়াম্না তোইনা থোকখি। অদুবু হৌজিক্তি মতিক চাদবা গভর্ণর অসি লৌথোকখ্রবনিনা ষ্টেট অসিদা মখা তানা পোলিটিকেল ক্রাইসিস থোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহিগী জুন ৩০ দা মহারাষ্ট্রদা লৈরম্বা মহা বিকাস আগাধি লৈঙাক তুরমদাই মতমদা কোসিয়ারিনা মহারাষ্ট্র লেজিস্লেচর সেক্রেটরিদা ফ্লোরটেষ্ট পাঙথোক্লবা খঙহনখি অমদি সুপ্রিম কোর্টনসু কোসিয়ারিগী ৱাফমদা অয়েৎপা পীখিদ্রবা মতুং উধব থাক্রে মশানা চীফ মিনিষ্টর ফমদগী পোথাখিবনি।

## উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টপু প্রসিডেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ইন্দিয়াগী গ্রোথ ইঞ্জিননি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

লখনৌ, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) :
উত্তর প্রদেশতা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল ইনভেষ্টর সম্মিট লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাঙাংলদুনা লৈবাক অসিগী প্রসিডেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ফোঙদোকখিবদা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা গ্লোবেল ইনভেষ্টরশিংগী ওইবা সম্মিট অমা মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখিবা অসি ষ্টেট অসিনা লৈবাক অসিগী গ্রোথ ইঞ্জিন ওইবা ঙল্লে হায়বদু তাকপনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা সম্মিট অদুদা ষ্টেট অসিনা লুপা লাক্ষ ক্রোর ৩৫.৫ কী ইনভেষ্টমেন্ট প্রপোজলশিং ফংবা ঙমখিবা অদু লাইবক ফবনি হায়নসু প্রসিডেন্টনা ফোঙদোরক্লি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংনসু ইনভেষ্টরশিংগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনদুনা চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ষ্টেট ষ্টেটশিংদগী ওন্টরপ্রেন্যুয়র কয়া পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। ইনভেষ্টরশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙলক্লবা মতমদা মপুং ফানা চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE**
**SUB-DEPUTY COLLECTOR : HEIROK**

**Ref :- Mutation Case No. 14/SDC/HRK Dt. 25/01/2023**

Ningthoujam Inaobi Singh, S/o. (L) Gourahari Singh of Heirok Part-III Tourangbam Leikai

-Vrs-

Ningthoujam Sanajao Singh, S/o. (L) Chaoton Singh of Heirok.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Heirok Dtd. 31/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি থৌবাল তহশিল হৈরোক য়ুনিট খুল নং: ১২৮-হৈরোক পার্ট ৱান পাট্টা নং: ৩১০/৪৪৮ দাগ নং: ৪৯৪ এরিয়া .২৬০০ ইং: অসিদগী মশুশিংনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাগী শরুক্তগী এরি: হে: .০৫৮৮গী শরুক নামা পানবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌবীরবা য়াগনি। পীরিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস অসি চথুখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heirok

HL-P/6036/13

**IN THE COURT OF THE**
**SUB-DEPUTY COLLECTOR : HEIROK**

**Ref :- Mutation Case No. 13/SDC/HRK Dt. 25/01/2023**

Ningthoujam Ibungo Singh, S/o. (L) Shanta Singh of Heirok Part-III Tourangbam Leikai. -Applicant

-Vrs-

(L) Ningthoujam Thambalngou Singh, S/o. Sanajao Singh of Heirok.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Heirok Dtd. 31/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি থৌবাল তহশিল হৈরোক য়ুনিট খুল নং: ১২৮-হৈরোক পার্ট ৱান পাট্টা নং: ১০৪/৪৪৭ দাগ নং: ৫০৩ এরিয়া হে: ১৯৯৩ ইংখোল অসিদগী মশুশিংনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাগী শরুক্তগী এরিয়া হে: .০৩০৪গী শরুক নামা পানবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌবীরবা য়াগনি। পীরিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, হৌনবী মতুংইন্না কেস অসি চথুখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heirok

HL-P/6036/13